২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৯

# য়ুনাইটেদ ভেটরান (কোলকটা)না সাইক্লোন (বি) মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসননা শীন্দুনা খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ, মপান কাংজৈবুং অমসুং ১১ ষ্টার স্পোর্টিং ক্লবকী শান্নবুংশিংদা সলাই হোল্ডিংস প্রাইভেট লিমিটেদনা স্পোন্সর তৌদুনা পাঙথোক্লিবা ২১শুবা চেলেঞ্জ কপ ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুনাইটেদ ভেটরান (কোলকটা)না সাইক্লোন (বি)বু পাঞ্জল ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।



টুর্নামেন্ট অসি টিম ২১ না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৫ থোক্লা খায়দোক্তুনা মে ৪ দগী টিমশিংনা কম্পিটিসন তৌদুনা চখৎরক্লিবনি।

মেচ অসিগী অহানবা হাফতা য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটানা বোল হেন্না পায়দুনা সাইক্লোন (বি) থাংমৈবন্দবু য়াম্না লাকচনা শান্নরকখি। অদুবু য়ুনাইটেদ ভেটরানগী প্লেয়রশিংনা চথবা এটেকশিংদা লাইবকথীবদগী মেচ অসিগী লোইরমদাই অহানবা হাফ ফাওবদা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপদি অদুমক ঙমদনা লৈখি। অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ১খক ঙাইরবা মতমদা য়ুনাইটেদ ভেটরান (কোলকটা)গী প্লেয়র তাপাশ রুথ জর্সি নম্বর ৯ না মিনট ৩৪ চৎপদা চন্দুনা পাঞ্জল ১-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মেচ অসিগী অনীশুবা হাফতা সাইক্লোন-বিগী প্লেয়রশিং হান্নরা শান্নরম্বদগী খরা হন্থরকখি। মদুগী খূদোংচাবা অদু য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটানা লৌদুনা মেচকী মিনট ৫২ চৎপদা তাপাশ রুথ জর্সি নম্বর ৭না মখোয়গী টিমগী অনীশুবা গোল চন্দুনা পাঞ্জল ২-০ দা মাংজিল থাখি। অমুক্তসু শুপ্নতগী মিনট ৪ কান্নরগা মিনট ৫৬ চৎপদা অহুমশুবা গোল চন্দুনা স্কোর ৩-০ দা লৈহনখি। শুপ্নতগী মিনট ১ কান্নরগা মিনট ৫৭ চৎপদা অসিট পাটারি জর্সি নম্বর ১৯ না ৪শুবা গোল চন্দুনা ৪-০ দা লৈহনখি। সাইক্লোন (বি)না একাউন্ট হাংনবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু য়ুনাইটেদ ভেটরানগা থেংনবদা য়াম্না শোনবনা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমদনা অদুমক লৈখি। মেচ অসি য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটানা সাইপ্লোন (বি)বু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

য়ুনাইটেদ ভেটরান কোলকটাগী প্লেয়র রঞ্জিৎ বাসু জর্সি নম্বর ৭ না মেচ অসিগী মেন ওফ দি মেচকী মনা ফংখি।

হয়েংগী মেচতা অহানবা সেমি ফাইনেল মেচতা সাইক্লোন (এ) থাংমৈবন্দ অমসুং কে ভি এফ সী কোন্থৌজম পুং ৩ তাবা মতমদা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা লম্বা তৌরগনি।

অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট

# এ এম ৱাই সীনা পি আর এস সীবু মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল এসোসিএসনগী লমজিং মখাদা পৌরাবী রাইজিং ষ্টার ক্লবনা শীন্দুনা মে ১৯ দগী পাঙথোক্লকপা অনীশুবা ইম্ফাল ইষ্ট মেন্স বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা এ এম ৱাই সীনা পি আর এস সী মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এ এম ৱাই সীনা পি আর এস সীবু সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীখি। মেচঅসিগী অহানবা সেটতা পি আর এস সীনা পোইন্ট ২ হেন্দুনা থোইখি। মখা তাবা সেট অহুম অদু এ এম ৱাই সীনা পোইন্ট ২, ৬, ২ হেন্দুনা থোইখি। মেচ অসি এ এম ৱাই সীনা পি আর এস সীবু সেট ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

এ এম ৱাই সী (অন্দ্রো মচেংপাৎ)না ৱিন্নর ওইদুনা কেশ প্রাইজ লুপা ১৫,০০০ ফংখ্রে। পি আর এস সী (পৌরাবী)না রন্নরস অপকী মনা লুপা ১০,০০০ ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা এন এন সীদা লুপা ৩,০০০ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। বেষ্ট দিসিপ্লিনগী মনা ওইনা লুপা ১০০০ এম টি টিনা ফংখ্রে। বেষ্ট স্পাইকরগী মনা লুপা ১,০০০ এ এম ৱাই সীগী প্লেয়র নরেদানা ফংখ্রে। বেষ্ট ব্লোক্করগী মনা লুপা ১,০০০ পি আর এস সীগী প্লেয়র দিক্সননা ফংখ্রে। ওলদেষ্ট প্লেয়রগী মনা লুপা ৫০০না পি আর এস সীগী প্লেয়র মায়পাকসনানা ফংখ্রে। বেষ্ট সেট্টলরগী মনা লুপা ১০০০না এ এম ৱাই সীগী শান্নরোয় অলেজেন্দরনা ফংখ্রে।

# সুরমা এফ সি অমসুং এন ৱাই পি সি মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসন (টি কে দব্লিয়ু এ) তেন্থানা শিন্দুনা শান্নরকপা টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সুরমা এফ সি অমসুং এন ৱাই পি সি মায়পাকখ্রে।

ঙসি নুংথিলগী অহানবা গ্রাউন্দদা এন ৱাই পি সি নিংঙোম্বম অমসুং তি ক্য সি তেন্থা লম্বা তৌনখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা তি ক্য সি তেন্থাগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ৭ অনন্দনা চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মেচকী অহানবা হাফ অদু লোয়শিনখিবদগী মখোয়না এন ৱাই পি সিবু পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নরকপা হৌবতা ঙাইরিঙৈ এন ৱাই পি সিগী জর্সি নম্বর ৩ রমানন্দনা ৩৪শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং তি ক্য সিগী জর্সি নম্বর ১০ বোইনাওনা ৩৫শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা এন ৱাই পি সিগী জর্সি নম্বর ১৭ সুসিলনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা পাঞ্জল ২-২দা মান্নদুনা লৈখি। মেচকী ৩৯শুবা মিনটতা এন ৱাই পি সিগী মায়কৈদগী অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রমানন্দনা পাঞ্জল অমগা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না তি ক্য সিবু পাঞ্জল ৩-২দা থোইখি।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা সুরমা এফ সি ৱাংজিং অমসুং দব্লিউ এফ সি মোইরাংখোমগা লম্বা তৌনখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা সুরমা এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৯ জেমসনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা দব্লিউ এফ সি মোইরাংখোমবু ১-০দা মায়থীবা পীখি।

# মণিপুর য়ুথ বোইজ অমসুং গর্লস বোক্সিং টিম শেমখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): চৎলিবা চহী অসিগী জুন ৮দগী ১৩ ফাওবা উট্টরখন্দগী রুদ্রপুরদা পাঙথোক্কদবা অহুমশুবা য়ুথ মেনএন্দ ৱিমেন নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী য়ুথ বোক্সিং টিম শেম্বা লোইরে হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরক্লি।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারুগদবা য়ুথ বোইজকী বোক্সরশিং অদুদিঃ এমদি নজিমউদ্দিন (কেজি ৪৯), ঐচ ভিমজিৎ (কেজি ৫২), এস ভিক্টর (কেজি ৫৬), এল নিকেশ (কেজি ৬০), এল কজেংহনবা মৈতৈ (কেজি ৬৪), ও মঙালথোই (কেজি ৬৯) অমসুং কে সনাথোই (কেজি ৭৫)নি।

য়ুথ গর্লসতা শরুক য়াগদৌরিবা বোক্সরশিং অদুদিঃ টিঐচ ইলিজা (কেজি ৪৮), এন বেবিরোজিসনা চনু (কেজি ৫১), আর এস থোটিওলা (কেজি ৫৪), ঐচ অশালাতা চনু (কেজি ৫৭), টি ঐচ এলিনা (কেজি ৬০), এন মেনেকা (কেজি ৬৯), এল সুর্জলাতা (কেজি ৬৯) অমসুং সনামচা চনু (কেজি ৮০)নি।

মণিপুরগী টিম অসিবু ওফিসিএট তৌগদবা ওফিসলশিং অদুদি- এল চিত্তরঞ্জন কোচ (মেন), এল রাদিয়া কোচ (ৱিমেন) অমসুং কে থাংরেনখুপ কোম কোচ কম মেনেজরনি।

# ক্বার্টর ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

এস ৱাই দি এ অথোকপমনা শিন্দুনা পাঙেথোরকপা অহানবা ষ্টেট লেবেল এস ৱাই দি এ ট্রোফি অন্দর ১৭ নাইন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল মেচশিং হয়েংদগী শান্নবা হৌরগনি। হয়েং নুংথিল শান্নগদবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু গ্রু সিগী ৱিন্নর ও এফ এ পুংদোংবম অমসুং গ্রুর এগী রন্নর এস ৱাই দি এ অথোকপম লম্বা তৌনগনি। অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রু এগী ৱিন্নর এন্দিবর ৱাংজিং অমসুং গ্রুপ সিগী রন্নর য়ু এস এফ সি সঙ্গাইয়ুম্ফমগা শান্নরগনি।

থা অসিগী ২৯গী অহানবা গ্রাউন্দ দা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু গ্রুপ বিগী ৱিন্নর নাওচা মার্জিং অমসুং গ্রুপ দিগী রন্নর ঐচ এস ৱাই দি এ হাওখা লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুংথিলদা শান্নগদবা অরোইবা অমদি ৪শুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুনা গ্রুপ দিগী ৱিন্নর এটি এস য়ু টেন্থা অমসুং গ্রু বিগী রন্নর ঙানবা এফ সি ৱাংজিংগা লম্বা তৌনরগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেল মেচশিং থা অসিগী ৩১ অমসুং জুন ১দা শান্নরগনি।

# রেজিষ্টর তৌনবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ)না খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না ফুটবোল শান্নরোয়শিংনা সেন্ত্রেল রেজিষ্ট্রেসন সিষ্টম (সি আর এস)গী মখাদা খুদক্তগী রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়বা ৱারোল অদু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মায়কৈগী দিষ্ট্রিক্ট অদুগী শান্নরোয়শিংনদা প্রেসতা খুত্থাংদা খঙহল্লক্লি। শান্নরোয়শিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন্না, ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না অমসুং ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিনবা টুর্নামেন্টশিং শরুক য়াগে হায়রবদি সি আর এসতা শুংশোয় শোয়দনা রেজিষ্টার তৌগদবনি হায়রি। শান্নরোয়শিংনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না পীরকপা পেনাল্টি মায়োক্নদনবা সি আর এসতা রেজিষ্টার তৌগদবনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# কেশ প্রাইজ জুদো টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

মণিপুর জুদো এসোসিএসনগী মায়কৈগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা ফোংদোরকপগী মতুং ইন্না হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা এল ব্রোজেশ্বরি মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল কেশ প্রাইজ জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা জুদোকাশিংগী অরুম্বা ওনবগী মতমদা খরা হোংদোক হোংজিন তৌরে হায়রি।

নুপামচাগী কিলোগ্রাম ৪০মখা, ৪৫মখা অমসুং ৫০মখাগী লোয়ননা নুপীমচাগী ওইনা কিলোগ্রাম ৪০ মখা, ৪৪মখা অমসুং ৪৮মখাগী অরুম্বা ওনবগী মতম অদু মে ২৯গী অয়ুক পুং ৭ তাবদগী হৌরগনি হায়না চেরোল অসিনা হায়রি।

নুপামচাগী কিলোগ্রাম ৫৫মখা, ৬০মখা অমসুং ৬০মথক্কী লোয়ননা নুপীমচাগী কিলোগ্রাম ৫২মখা, ৫৭মখা অমসুং ৫৭ মথক্কী অরুম্বা ওনবগী মতম অদুনা মে ৩০গী অয়ুক পুং ৭তাবা মতমদা হৌগনি হায়রি। নাকল অমরোমদা শান্নরোয়শিং এক্রিদিটেসনগী থবক অদু মে ২৯ ফাওবগী মনুংদা লোয়শিল্লগনি হায়রি।

সব-জুনিয়র/জুনিয়র ৱুশু চেম্পিয়নশিপ লোইশিনখ্রে

# এস এ আইনা তাওলু অমসুং সান্দা ইভেন্টকী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসননা শীন্দুনা মে ২৫ দগী শীংজমৈ, চীংঙামথক সী আর ৱাই দি এ কম্যুনিটি হোলদা চখৎরক্লিবা ১৯শুবা ষ্টেট লেবেল সব-জুনিয়র এন্দ জুনিয়র (বোইজ এন্দ গর্লস) ৱুশু চেম্পিয়নশিপ, ২০১৯ ঙসি মপূং ফানা লোইশিনখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী তাওলু ইভেন্টতা এস এ আইনা পূন্না গোল্ড ২২, সিলভর ১০, ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টনা পূন্না গোল্ড ৫, ব্রোঞ্জ ২ ফংদুনা রন্নরস অপ তাখ্রে অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট টিমনা গোল্ড ১, সিলভর ৫ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী সান্দা ইভেন্টতা এস এ আইনা পূন্না গোল্ড ১৬, সিলভর ১, ব্রোঞ্জ ৪ ফংদুনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে। বিষ্ণুপুরনা পূন্না গোল্ড ৭, সিলভর ১০, ব্রোঞ্জ ১০ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টনা পূন্না গোল্ড ২, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রে।

থৌরম অসিদা চীফ গেষ্ট ওইনা অহন্থেম মোন্তু, সোসল ৱর্কর; গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা ৱুশু এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সী ঐচ নবদ্বিপ; কে চিংখম, প্রসিদেন্ট সী ৱাই এল সী; বি দোরেন্দ্রো (দোনর); লোংজম রিতা (দোনর); প্রসিদেন্ট ওইনা এন জি রোশন, কনভিনর ওর্গনাইজিং কম্মিটি প্রসিদেন্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ৱুশু এসোসিএসননা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখি।

অনীশুবা লেট ইবোমচা মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল

# এম এল ভি-ময়াই লম্বী অমসুং দি ভি এ থৌবাল ফাইনেলদা থেংনরগনি

ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

লোইতাং লৈকিন্থবী য়ুঠ ক্লবনা শীন্দুনা মে ২২ দগী চখৎরক্লিবা অনীশুবা লেট ইবোমচা মেমোরিএল ভেটরান বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচতা দি ভি এ-থৌবালনা এল এল ৱাই সী-লোইতাং লৈকিন্থবীবু মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।



ঙসি টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেচ অদুদা দি ভি এ থৌবাল অমসুং এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিন্থবী য়াম্না কন্না লম্বা তৌনদুনা ফাইনেল য়ৌননবা হোৎনরকখি।

অহানবা সেট অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী অমনা অমবু পোইন্ট মুন্নদুনা লাকশিনবা ঙম্মদনা লৈনরকখি। মশান্না অসিগী অপূনবা পোইন্ট ২৫ য়ৌবা টিমনা মায় পাক্কদবা অদু পোইন্ট ২৪-২৪ ফাওবা য়ৌনদুনা দ্যুস তাখি। এল এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিন্থবীগী মায়কৈদগী ২৫ অমসুং ২৬শুবা পোইন্ট অদু মখোয়না থংননা লৌবা ঙমখিবদগী অহানবা সেট অদু মখোয়না ২৬-২৪ দা থোইখি।

সেট অমা শোত্থরবা দি ভি এ থৌবালগী মায়কৈদগী অনীশুবা সেট অদু হৌবদগী য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি। মখোয়গী শান্নরোয়শিং অদুনা এল এল ৱাই সী লোইতাং লৈকিন্থবীগী শান্নরোয়শিং অদুবু লাকশিন্না শান্নবা ঙম্বদগী পোইন্ট হেন্দুনা লৈখি। সেট অদু মখোয়না ২৫-১৫ দা থোইদুনা অমমম্ মান্নরবা মতুং অহুমশুবা সেটতা এল ৱাই সীগী মায়কৈদগী পীরকখিবা প্রেসরশিং অদু লৌথোক্তুনা ২৫-১৯ দা থোইরগা ২-১ দা মাংজিল থারগা লৈখি। মরিশুবা সেট মখোয়না ২৫-২০দা থোইখিবদগী ফাইনেল য়ৌদুনা হয়েং এম এল ভি ময়াই লম্বীগা লম্বা তৌনরগনি।

# মণিপুরগী সব-জুনিয়র অমসুং মাষ্টর শান্নরোয়শিং নেসনল পৱরলিপ্টিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়ারি




ইম্ফাল, মে ২৭ (ঐচ এন এস):

টামিল নাদুগী ভেলর দিষ্ট্রিক্টতা পাঙথোকপা সবজুনিয়র অমসুং মাষ্টর নেসনল পৱরলিপ্টিং চেম্পিয়নশিপ্তা মণিপুরগী মীওই ২৩না শাবা টিম অমনা শরুক য়ারি। চেম্পিয়নশিপ অসি ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরি।

সবজুনিয়র বোইজদা শরুক য়ারিবা পৱরলিপ্টরশিং অদুদি কিলোগ্রাম ৫৩দা মাইবম ইবোমচা মৈতৈ অমসুং আর কে সনাহল, কিলোগ্রাম ৫৯দা পদমকুমার ইরোম অমসুং ভিসাল নিংথৌজম, কিলোগ্রাম ৬৬তা মোজেজ ময়াংলাঙবম, কিলোগ্রাম ৭৪দা তেন্সুবম জেষ্টিন, কিলোগ্রাম ৮৩দা তখেল্লম্বম চিংলেম্বা অমসুং কিলোগ্রাম ১০৫দা ওক্রম রিশিকান্তনি।

সবজুনিয়র গর্লসকী কিলোগ্রাম ৪৩দা এলাংবম ইনুংঙানবী চনু, কিলোগ্রাম ৫৭তা থিংঙুজম বিদ্যলক্ষ্মী, কিলোগ্রাম ৭২দা এলাংবম জেসিকা অমসুং কিলোগ্রাম ৮৪দা ৱাকিলানি।

মাষ্টর ৱিমেনগী কিলোগ্রাম ৪৭তা খুমুজম দেবীকারাণি অমসুং অহন্থেম সুনি, কিলোগ্রাম ৫৭তা টি ইবেমহল, কিলোগ্রাম ৭২দা এন মাইপাকপী অমসুং এ ইবেমপিশক অমসুং কিলোগ্রাম ৮৪দা টিঐচ কুঞ্জরাণিনি। মণিপুরগী টিম অসিবু ওফিসিএট তৌগদবশিং অদুদি- নাওরেম সুশিলা (নেসনল রেফরি কেটগরি ১), কোন্সম রোসিদা (কোচ, ইন্টর্নেসনল লিপ্টর), কোন্সম ইন্দুবলা (মেনেজর, ৱিমেন) অমসুং আরকে বলা (মেনেজর, মেন্স)নি।







Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com